# বর্সেলোনা ওপন : রফেল নদালনা এন্দি মরেগা সেমী ফাইনেলদা পুনখ্রে





বর্সেলোনা, এপ্রিল ২৯ :
রফেল নদালনা মফম অসিদা চথরিবা বর্সেলোনা ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনসীদেদ সাউথ কোরিয়াগী চুং হয়েওনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা তরারকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবগী খোঙফম শেমখ্রে।

মশাগী চহী ২০ শুরবা অনসীদেদ চুংনা অহানবা সেটতা তরামরিরক গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা স্পানিয়ার্দ অসিগী মায়োক্তা অকনবা প্রেসর পীখিদুনা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। রিএল টেনিস ক্লবতা নৌনা রফেল নদাল কোর্ট হায়না মমিং থোনখ্রবা অদুদা চথখিবা মেচতা চুংনা অহানবা সেট অদু নমদুনা টাইব্রেকতা পুরকখি। অদুবু স্পানিয়ার্দনা মতিং থোক্লা খুৎ হনখিদুনা সেট অদু মায় পাকখি।

নৌনা মোন্টে কার্লো মাষ্টর্সকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অসিনা অনীশুবা সেটতদি মনিং তৌনা শান্নখিদুনা ৭-৬ (১), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি।

রফেল নদালনা সেমী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবালোসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অর্জেন্টাইন জেবালোসনা রসিয়াগী কারেন খাচানোভপু ৬-৪, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মেচ লোইরবা মতুং নদালনা হায়খি, মহাক্না শান্নবা মেচ অমত্তা ঐনা নিংথি-নুংঙাইনা য়েংদ্রি। অদুবু ঙরাংদি ঐনা মহাক্না শান্নবা ভিদিও য়েংখি।

অহানবা সেটতা নহা ওইরিবা প্লেয়র অসিনা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শান্নরক্কুনা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্ন খ্রবসু অনীশুবা সেটতদি ঐনা হৌবদগী অদুমক দোমিনেট তৌদুনা চৎখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নদালনা বর্সেলোনা ওপনদা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল খুদিংমক মায় পাকখি অমদি মহাক্না হন্দক্কী অসিদা মায় পাক্কুনা তরারকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা স্পেনগী অলবার্ট রামোস ভিনোলাসপু ২-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৪) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা মরেনা মোন্টে কার্লো মাষ্টর্সতা স্পানিয়ার্দ অসিনা মায়থীবা পীরমখিবা অদু ঙরাংগী মেচ অসিদা লমন খুমদুনা মায় পাকখি।

অহানবা সেটতা বৃটেনগী মরেবু রামোস-ভিসোলাসনা নক্ষৎখিদুনা ২-৬ মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেটতা মরেনা নিংথিনা শান্নখিদুনা ভিনোলাসপু ৬-৪ দা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখি। মহাক্না নাইন গেমদা ব্রিক পোইন্ট অহুম সেভ তৌবা ঙমখি। মহাক্না অহুমশুবা সেটকী অহানবা সার্ভিস মায়থীখি। অরোইবা সেট অদুদা রামোস-ভিনোলাসনা মহাক্কী মশলদা অনাবা লৈবদগী মিৎকুপ খরা পোত্থাখ্রবা মতুং অমুক শান্নরকখিবদা বৃটোন অসিনা নক্ষৎখিদুনা মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং মরেনা হায়খি, মেচ অসি য়াম্না টফ ওইখি। মহাক্কী চয়োলদা ইবাইনিনা শান্নখিবা মেচ অদুগা পুরা ওপোজিৎ ওইখি। মহাক্না মেচ অদুদা ফজরবা সার্ভশিং তৌখি। অদুবু ঐনা মহাকপু নক্ষৎতুনা মায়থীবা পীখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এন্দি মরেনা লাষ্ট ফোর মেচতা ওষ্ট্রিয়নগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

দোমিনিক থিয়েমনা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, অহুমশুবা সীদ রফেল নদালনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কেভিন এন্দরসনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেসু মহাক্কী খুনিংগী অনাবা লৈখিবদু ফগৎলকপদগী ওপন অসিদা শরুক য়াদুনা স্পানিয়ার্দ ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

নদালনা মেচ মায় পাকখিবা অসিনা মহাক্কী ৫০শুবা টুর্ণামেন্টকী মায় পাকপা ওইখিবগা লোয়ননা ওপন অসিগী তরারকশুবা টাইটল লৌনবা মিৎয়েংসু থল্লিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী চুং হয়োননা জর্মনগী নিপানশুবা সীদ অলেকজেন্দর জেভরেভবু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

চয়োল অসিদা দ্রোপ অমত্তা তৌদনা চঙশিনখিবা মশাগী চহী ২০ শুরবা চুংনা কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা হৌষ্টন টুর্ণামেন্ট অদুগী মতুংদা ঙরাংগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা অদুনা অহানবা ওইরি।

জপানিজগী লকি লুজর য়ুইচি সুগিতানা তরেৎশুবা সীদেদ স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

সুগিতানা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা ওইনা ওপন অসিগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ফ্রেঞ্চকী ৱর্ল্ড নম্বর ২৩ দা লৈরিবা রিচার্দ গাস্কেটপু মায়থীবা পীখিবনি। মহাক্না স্পানিয়ার্দ অসিবু অহুম্লক মায়থীবা পীবা ঙমদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী তৌবা ঙন্বদু উৎখি।

দোমিনিক থিয়েমনা বৃটেনগী দান ইভান্সপু ৭-৬ (৭/৫), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। রামোস-ভিনোলাসনা তরুকশুবা সীদেদ কম্পেট্রিওট রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু ৬-২, ৩-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# অজলান শাহ ২০১৭ : মন্দীপ, অক্সদীপনা চনখিবা গোলনা ইন্দিয়ানা গ্রেট বৃটেনগা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ২৯ :
মন্দীপ সিংহ অমসুং অক্সদীপ সিংহনা চনখিবা গোলনা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াদা চথরিবা সুলটান অজলান শাহ কপ হোকি টুর্ণামেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ওপনিং মেচতা গ্রেট বৃটেনগা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী গোলশিং অদু ষ্ট্রাইকর অক্সদীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা অমদি মন্দীপ সিংহনা মেচকী মিনিট ৪৭চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি। অদুগা গ্রেট বৃটেনগী গোলশিং অদুনা টোম কার্সননা মেচকী মিনিট ২৫ অমসুং অলান ফোরসীথনা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অমমম চনখি।

ইন্দিয়াগী মনপ্রীট সিংহ সেনিয়রনা গোল অনী অদু চনবদা চাউনা মতেং পাংখিবদা নত্তনা টিমগী মশক থোক্লা প্লে শান্নখিবা শান্নরোয় অমা ওইখি।

ইন্দিয়া অমদি গ্রেট বৃটেননা হাফ টাইম ফাওবদা গোল ১-১ দা লৈনখি। টিম অনীমক্না অহানব ক্বার্টরদা মখোয়-মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইরবা দিফেন্সিব অদু শান্নদুনা অমনা অমগী মফমদা হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী মিনিট ৯ চৎপা মতমদা বৃটেনগী সাম ৱার্দনা অকনবা শুটতা ইন্দিয়াগী গোলপোষ্ট তম্না কনখিনখিবা বোল অমা কষ্টদিয়ন দি আর শ্রীজেশপু মায়থীবা পীবা ঙমখিদবদগী গোল চনবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়ানা অনীশুবা ক্বার্টরদা মায়োক্নখিবা বৃটেনগী সাইদতা তৌখিবা অকনবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৯ চৎপা মতমদা মখোয়গী অহানবা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি।

পর্দীপ মোরনা তৌখিবা মশক থোক্লবা পার্ফোর্মেন্স অদু পেনালটি কোর্নর অদু ফংবা ঙমহনখি। মদুদা অক্সদিপ সিংহনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা মায়োক্ন খিবা টিমগী গোলপোষ্টতা কনশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

বৃটেনসু মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেকশিং তৌখি। মখোয়গী প্লেয়র ক্রিষ্টোফর গ্রিফিথসনা মতিং থোক্লা শান্নখিদুনা গোল ইক্লেলাইজ তৌননবা হোৎনখি। অদুবু গোল চনবদি ঙমখিদে।

বৃটেননা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা তৌখিবা এটেক অমদা টোম কার্সননা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্লেলাইজ তৌখিবগা লোয়ননা ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়ানা বৃটেনগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। ইন্দিয়ানা অহুমশুবা ক্বার্টরদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখ্রবসু বৃটেননা মখোয়গী মায়কৈদা গোল ওন্থোকহনখিদে।

ইন্দিয়ানা তৌখিবা অকনবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা মন্দীপ সিংহনা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি। বৃটেনসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা টেক্নি কশিং উৎতুনা শান্নদুনা গোল ইক্লেলাইজ তৌনবা হোৎনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা অথুবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা অলান ফোরসীথনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-২ দা চাং মান্ননা লৈখি।

টিম অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোলশিং চন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা টিম অনীনা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী মথংগী মেচতা ন্যু জিলেন্দগা মায়োক্নদুনা এপ্রিল ৩০ দা শান্নরগনি। মে ২ দা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা, মে ৩ দা জপানগা অমসুং মে ৫ দা মালেসিয়াগা লম্বানদুনা শান্নগনি।

মে ৬ তা ফাইনেল, অনীশুবাঅমদি অহুমশুবা মফমগী মেচ অমসুং মঙাশুবা মফমগী মেচশিং শান্নগনি।

# আই পি এল ২০১৭ : রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৬১ দা মায়থীবা পীখ্রে

পুনে, এপ্রিল ২৯ : ষ্টেভন স্মিথনা মশক থোক্লা লৌখিবা রননা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা মফম অসিগী মহারাষ্ট্র ক্রিকেট এসোসিএসন ষ্টেদিয়মদা থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু রন ৬১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টোস ঙমখিবা রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ফিল্ডিং খনখিবদগী রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৫৭ লৌদুনা রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগীদমক টার্গেট রন ১৫৮ পীরমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা টার্গেট রন লৌননবা তানখৎখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা অপুনবা রন ৯৬ খক্তমক লৌরগা রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী রাহুল ট্রিপাথিনা বোল ২৮ দা রন ৩৭, কেপ্টেন ষ্টেভন স্মিথনা বোল ৩২ দা রন ৪৫, মনোজ দিৱারিনা বোল ৩৫ দা রন ৪৪ অমসুং এম এস ধোনিনা বোল ১৭ তা রন ২১ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখি।

রাইজিং পুনে সুপরজেইন্টকী বোলর ইমরান টাহিরনা ওভর ৪ দা রন ১৮ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা বোলর ওইখিবদা নত্তনা মায়োক্নখিবা টিমগী বেট্টিং লাইন থুগায়খিবদা চাউনা মতেং পাংখি।

লোক্কী ফার্গুসননা ওভর ৪ দা রন ৭ খক্তমক পীরগা ৱিকেট ২, জয়দভ উনাদকটনা ওভর ৪ দা রন ১৯ পীরগা ৱিকেট অমা, দেনিএল ক্রিষ্টিয়ননা ওভর ৪ দা রন ২৫ পীরগা ৱিকেট অমা অমদি ৱাশিংটন সুন্দরনা ওভর ২ দা রন ৭ পীরগা ৱিকেট অমা লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা মতেং ওইখি।

রোয়েল চেল্লেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ভিরাট কোহলিনা বোল ৪৮ দা রন ৫৫ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখি। মখা তাবা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী মায়থীখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ না সিদিং ফংখ্রে, ইন্দিয়ন বোক্সর পুম্নমক এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা বাই ফংখ্রে



টাশকেন্ট, এপ্রিল ২৯ :
টাশকেন্টনা য়ুম্থু ওইদুনা হয়েংদগী চথবা হৌগদৌরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ভিকাস কৃষ্ণন অমদি শিভা থাপা য়াওনা বোক্সর মরিনা সিদিং ফংখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ন বোক্সর পুম্নমক্না অহানবা রাউন্দদা বাই ফংখ্রে।

এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট ভিকাসনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মিদ্দল ৱেঠ কেটগোরিদা টোপ সীদ ওইখ্রে। অদুগা হান্নগী এসিয়ন চেম্পিয়ন শিভা থাপা (কে জি ৬০) না মরিশুবা সীদ ওইখি। হান্নগী কম্মনৱেলঠ গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট মনোজ কুমারনা ৱেল্টরৱেঠ দিভিজনদা তরুকশুবা সীদতা লৈখি। অদুগা সটিশ কুমার (কেজি ৯১ মথক) না সুপর হেভিৱেঠকী কেটগোরিদা অহুমশুবা সীদ ওইখি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈবাক ২৮ দগী বোক্সর ১৬৯ না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন তান্নগনি। টুর্ণামেন্ট অসিনা লাক্লিবা ওগষ্ট-সেপ্টেম্বরদা জর্মনিগী হামবার্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাইয়রসু ওইরি।

ৱেঠ কেটগোরি ১০ দা অথোই-অহেন তান্নগদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদগী কেটগোরি খুদিংমক্তগী টোপ বোক্সর ৬/৬ না ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর ভিকাস, সুমীট সঙ্গৱন (কেজি ৮১), গৌরভ বিধুরি (কেজি ৫৬), অমীটফঙ্গাল (কেজি ৪৯) অমদি অশিস কুমার (কেজি ৬৪) না মে ১ দা মখোয়গী কেম্প্যেনশিং হৌদোক্কনি।

ভিকাসনা মহাক্কী অহানবা কেম্প্যেন কিরগিষ্টানগী য়কটিয়ার শাবদানবেভ অমদি থাইলেন্দগী পাথোমশাক কুট্টিয়াগা অনীগী মরক্তা মায় পাকপা অদুদা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

সুমীটনা মোঙ্গোলিয়াগী ইর্দেনেবয়ার সন্দাগসুরেনগা অদুগা গৌরভনা থাইলেন্দগী য়ুট্টাপোং টোংদীগা লম্বা তৌদুনা মায়োক্নগনি। এসিয়ন য়ুঠ সিলভর ৱিন্নর অশিস কুমার (কেজি ৬৪) না উজবেকিষ্টানগী ইকবোলজোন খোলদারোভকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

বলগেরিয়াদা চহীসিগী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ষ্ট্রাঞ্জা মেমোরিএল টুর্ণামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা অমীটনা অফঘানিষ্টানগী রামিশ রাহমনিগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# মারিয়া শারাপোভানা ষ্টুটগার্ট ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ২৯ :
হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মারিয়া শারাপোভানা মফম অসিদা চথরিবা ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রিগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইষ্টোনিয়াগী ক্বালিফাইয়র অনেট্ট কোন্টাভেটপু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

শারাপোভানা আইন্না থিংখ্রবা দ্রগ শিজিন্নরুবগী থা ১৫ অথিংবা থমদুনা লৈরুরবা মতুং ষ্টুটগার্ট ওপনদা ৱাইল্ডকার্দ ফংদুনা শরুক য়ারখিবনি। মহাক্না ওপন অসিদা সেট অমত্তা দ্রোপ তৌদনা মেচ অহুম থংন-থংননা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

মারিয়া শারাপোভানা লাক্কদৌরিবা মেদ্রিদ অমদি রোমগী টুর্ণামেন্টকীসু ৱাইল্ডকার্দ ফংখ্রবনি। মহাক্না ৱাইল্ডকার্দশিং ফংখিবদা প্লেয়র খরনা অশাউবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী রেঙ্কিং পোইন্ট মতিক চানা ফংদ্রিবা ফাওবদি শান্নহল্লোইদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হৌজিক রেঙ্ক নেম্না লৈরিবা শারাপোভানা ষ্টুটগার্টকী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙম্লবদি রেঙ্কিং ২০০ গী মথক্তা কাখৎলক্কুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফাই ওইবা ঙন্বগী ওইথোকপা লৈরি। মহাক্না করিগুম্বা মেদ্রিদ অমদি রোমগী টুর্ণামেন্টতা নিংথিনা শান্নবা ঙম্লবদি ৱিমব্লেদনগী মেইন দ্রো চঙবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগদৌরি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা কোন্টাভেটনা ষ্টুটগার্টকী ক্বালিফাইয়র শান্নরবা মতুং মেইন দ্রোদা চঙলকখিবনি।

ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৭৬ তা লৈরিবী ইষ্টোনিয়ন অসিনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা বিল টুর্ণামেন্টকী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখ্রবনি। মহাক্না শারাপোভাগী মখুৎতা মতিং থোক্লা শান্নখ্রবসু হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান অসিগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৯শুবদা লৈরিবা মালাদেনোভিকনা স্পেনগী কার্লা সৌরেজ নভারোবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি স্পোর্ট অসি মেদিয়া অমদি বিজনেসকী তঙাইফদবা অদু লাক্লে। মারিয়াগী মমিং অসি খ্বাইদগী পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই অমসু ওইরি। মহাক্কী মমিং তাবদা মীয়াম্না মহাকপু য়েংননবা লাক্নরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনীশুবা সীদ চেক্কী কারোলিনা প্লিস্কোভানা জর্মনিগী লৌরা সিজমুন্দগী মখুৎতা পুং অহুমগা মিনিট ১০ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৭-৬ (৭/৩), ৫-৭, ৬-৩ দা মায়থীহৌখি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী এঞ্জেলিগ কার্বর, মুগুরুজা, বৃটেনগী জোহান্না কোন্টা অমদি অগনিস্কা রাদৱানস্কানা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অমরোমদা, ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রিগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা হান্নগী ৱর্ল্ডনম্বর ৱান মারিয়া শারাপোভানা ফেলো রসিয়ন ইকাটেরিনা মাকারোভাবু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবী রসিয়ন অসিনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখিবদা নত্তনা মালেমগী খ্বাইদগী শেনফম য়াম্না ফংবী এথলেট অমা ওইরমখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন মনুংদা দোপ টেষ্ট তৌখিবদা আইন্না থিংখ্রবা মেলদোনিয়ম শিজিন্নরম্বগী খুদম-চাংদম ফংখিবদগী চহী অনী অথিংবা থমখ্রবা মতুং মহাক্কী অথিংবা অদু কোমথোকপীননবা হায়জখিবদা থা ১৫ দা হন্থখি। মহাক্কী অথিংবা অদু হন্থখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা ষ্টুটগার্ট ওপন অসিদা শরুক য়ারকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী মেম্বর ১১ না শাবা টিম অমনা আই এস এস এফ শুটগন ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলদা শরুক য়ারি



ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ২৯ :
সাইপ্রসনা য়ুম্থু ওইদুনা লার্নাকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ থ্রীদা ইন্দিয়াগী নুপী মেম্বর ১১ না শাবা শুটিং টিম অমনা শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা ওলেম্পিয়ন মাইরাজ অহমদ খান অমসুং কেনান চেনাইনচিংবা শক্নইরবা শুটরশিং য়াওরি।

টুর্ণামেন্ট অসি থা অসিগী ২৮ দগী চথবা হৌখিবনি। মসি মে ৮ ফাওবা চথগনি। মসিনা চহী অসিগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা শুটগন ৱর্ল্ডকপ ষ্টেজনি। মসিদগী ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইনবগী খুদোংচাবশিং ফংগনি। হায়রিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল অসি দেল্লিনা য়ুম্থু ওইদুনা চথগনি।

শুটগনগী ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়নশিপনা মোস্কোনা য়ুম্থু ওইদুনা লাক্লিবা ওগষ্টতা পাঙথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী অঙ্কুর মিতালনা ন্যু দেল্লিগী ইভেন্ট অসিগীদমক মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মহাক্না মেক্সিকোগী অকাপুলকোদা চথখিবা অনীশুবা ষ্টেজগী মেন’স দবল ট্রেপতা গোল্ড মেদল লৌদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

অঙ্কুরনা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেজদসু সিলভর মেদল লৌখি। অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়ন শুটর ১০ না লার্নাকাদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীননবা মিৎয়েং থল্লি।

ইন্দিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মেদল কম্পিটিসন মঙাগী মনুংদা মরিদা শরুক য়াগনি। মসিদা নুপীগী স্কিট ইভেন্টখক্তমক য়াওরোই। কম্পিটিসন অসিদা অপুনবা শুটর ৪২৯ না শরুক য়াগনি। শুটরশিং অসি নেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি ৬১ দগীনি। লার্নাকানা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্থু ওইরিবা অসি চহী অনীগী মতুংদা অনীরকশুবনি।

ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা মেম্বরশিং অদুদি নুপাগী স্কিটতা মাইরাজ অহমদ খান, শীরাজ শাইখ, অঙ্গাদ ভির সিংহ বাজৱানি। মেন’স দবল ট্রেপতা অঙ্কুর মিতাল, শপাথ ভর্দাৱাজ, সঙ্গ্রাম দাহিয়ানি। মেন’স ট্রেপতা কয়ান চেনাই, জোরাভা সিংহ সন্ধুনি। নুপীগী ট্রেপতা মনিশা কির, রাজেশ্বরী কুমারি, সীমা টোমারনি।

ইন্দিয়ন শুটরশিং অসিনা লার্নাকা কম্পিটিসন অসিদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা ওক্টোবর থাদা মফম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল অমদি মোস্কোদা পাঙথোক্কদৌরিবা শুটগন ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইনবা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরি।

কম্পিটিসন অসিগীদমক ইন্দিয়ন টিমনা মতিং থোক্লা ট্রেনিংশিং তৌখ্রে। মখোয়না কম্পিটিসন অদুদা য়ামদ্রবদা মেদল ৪/৫ দি লৌগনি হায়বগী থাজবা থল্লি। ওলেম্পিয়ন মাইরাজ অহমদ খাননা মেন’স স্কিট ইভেন্টতা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা মেদল লৌননবা হোৎনগদৌরি।

কেনন চেনাইনা মেন’স ট্রেপ ইভেন্টতা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স অদু উত্তুনা মেদল লৌবদা নত্তনা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইনবসু হোৎনগদৌরি।

নুপীগীদা মনিশা কির, রাজেশ্বরি কুমারি অমদি সীমা টোমারসু ৱিমেন’স ট্রেপ ইভেন্টতা অরিংবা শুটরশিং ওইরি। মখোয়সু ইভেন্ট অসিদা মশক থোক্লা শান্নদুনা মেদল লৌননবা মিৎয়েং থল্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF TEXTILES, COMMERCE & INDUSTRY
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

NOTICE

Imphal, the 22nd of April 2017

**No. HL-17/H&T/2017:** Application in prescribed form obtainable from this Directorate, District Handlooms & Textiles Offices are invited from the eligible candidate for admission into six semester (3 years) Diploma course in Handloom & Textile Technology at Indian Institute of Handloom Technology, Guwahati for the academic session of 2017-2018.

Form can be downloaded from **www.dcimanipur.gov.in**

***Eligibility :-*** (1) *Qualification* - Passed 10th Standard or equivalent examination with English as subject of study.

(2) *Age* - Between 15-23 years (General) and between 15-25 years (SC/ST) as on 16th July, 2017.

*Last date of form submission* - 05-06-2017 with all supporting documents (Marksheet of HSLC, 2 passport size photograph duly attested by a Gazetted Officer.

Date of personal interview will be conducted on 20th of June 2017.

If admitted in the course, student will be paid stipend @ Rs. 1000/- per month in the 1st year, Rs. 1100/- in the 2nd year and Rs. 1200/- in the 3rd year (to be shared @ 50:50 between State and Centre.

*Sd/-* **K. Lamlee Kamei**
Additional Director (Handloom)
Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur

**No.2/33/2015-DIPR(V-III)**

HL-B/3844/30

WORLD CLASS INTERVENTIONAL CARDIOLOGY
BY TEAM OF SPECIALISTS LED BY

Dr. L. Shyamkishore
MD, DM (AIIMS), MRCP (U.K), FRCP (LONDON)
British Clinical Excellence Award Winner,
Only Heart Specialist of Manipur with FRCP (London)
Formerly Consultant Cardiologist,
King George Hospital, London
Royal College Tutor, Royal College of Physicians, London
CHAIRMAN & CHIEF CARDIOLOGIST SKY GROUP OF HOSPITALS

SKY HOSPITAL
Providing the ultimate Heart care in Manipur
RIMS Road, Imphal

NON-OPERATIVE CLOSURE OF HOLE IN THE HEART
PERCUTANEOUS CORONARY INTERVENTION (PCI)
R.F. ABLATION FOR PALPITATION (ARRHYTHMIA)

Please book your slot in advance with Reception or 8415938207 to avoid disappointment

HL-B/3845/30

STUDY MBBS/MD IN ABROAD

BANGLADESH: PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, TMSS, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & MARKS MEDICAL COLLEGE.
KAZAKHSTAN: SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
PHILIPPINES: - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
CHINA: HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
RUSSIA : ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.

PLZ Contact: - Atawar Rahman
A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,
Near Cambridge School. old Campus Imphal.

NOTE: : Scholarship Available for For Master and PhD in China.

Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 7085715427,8974084294 ,

HL-P/1397/22 Apr.-22 May